থাঙ-তা মশান্নদা লৈঙাক্লা কা-হেন্না পূক্নিং চঙবীদবা অসি লমদম অসিগী নহাশিংগী ওইনদি লাইবক থীবনি : বিদ্যানন্দ

শান্নবুংগী পাউদম-২১

জয়চান্দ লুৱাং

লমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লিবা থাঙ-তাবু মশান্না অমা ওইনা শকখঙখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা থাঙ-তা মশান্নদা কা-হেন্না মীৎয়েং চঙবীদবা অসি লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী ওইনদি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না থাঙ-তা মশান্নদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরিবা নোংমাইথেম বিদ্যানন্দনা ফোঙদোরক্লি।

শান্নরোয় অসিগা অখন্ননা শান্নখিবা ৱারী অমদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মালেমদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী মনুংদা থাঙ-তাসু অমনি। থাঙ-তা অসি মীওইবা খুন্নাইগা য়াম্না নক্লুনা চৎমিন্নরিবা টুরিজম, এদ্যুকেসন, কলচর অমদি স্পোর্টস মরিমক্কা মরী লৈনৈ। অসিগুম্বা মখলগী ফজ খ্রবা মশক অমা লৈজরিবা থাঙ-তাবু লৈঙাক্লা চাউখৎনবা হোৎনবা উদ্রি। পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লুবা থাঙ-তা হায়নাচিন্দা পংলাউদা লাউরবসু চাউখৎনবা থবক তৌদ্রিবা অসিগী মরম করিনো হায়না মশা মতোমতা হংজে। খেলো ইন্দিয়াদা থাঙ-তা মশান্না য়াওহনখ্রে। মসি লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা থাঙ-তাবু পামজবা শান্নরোয়শিংগী ওইনদি লাইবক ফবনি। নেসনল গেমসতসু থাঙ-তা মশান্না অসি য়াওহনবদা থোইনা লুরোইহায়না খল্লি। মণিপুরগী এম পিশিং অমদি মিনিষ্টরশিংনা হোৎনবীরবদি নেসনল গেমসতা মশান্না অসি ইরায় লায়না য়াওহনবা ঙমগনি। অদুবু তকশিনবা ৱাৎপনা ঙসি ফাওবদা থাঙ-তাবু চাউখৎহনবা ঙমদ্রি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরদদি থাঙ-তাগী ওইবা ইন্সটিট্যুসনশিং ফাওবা হাংদুনা তাকপী-তম্বীবগী থবক চত্থরি। লমদম অসিদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মশান্না অসিগী টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংগীদমক লৈঙাক্লা চাউখৎ থৌরাং অমত্তা পায়খৎপীবা লৈত্রি। মণিপুরদগী হেন্না ফীভম লুনা লৈরিবা জে এন্দ কেদদি মশান্না অসিদা মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিংবু লৈঙাক্লা অহেনবা মতেং পীবতা নৎতনা মশাগা চান্নবা গভর্ণমেন্ট জোবশিংসু পীরি।

লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফিল্ডদা শান্নরিবা শান্নরোয় কয়ানা মণিপুরগীদা নৎতনা লৈবাক অসিগী ওইনা মিংচৎ কয়ারক পুরকখ্রে। থাঙ-তাগী লম্দসু লমদম অসিগী শান্নরোয় কয়ানা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখ্রবনি। অতোপ্পা মশান্নশিংগী শান্নরোয় কয়াদি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীবনা মরম ওইরগা মীয়ান্নসু মশক খঙলি। অদুম ওইনমক মালেমগী থাক্তা মেদল লৌরকখ্রবা থাঙ-তাগী শান্নরোয়শিংদি কনা অমত্তনা মশক খঙবীদ্রি। মসি শান্নরোয় অমা ওইনা খ্বাইদগী হেন্না থম্মোয় শোকপা মীৎকুপ অমনি।

মণিপুর লৈঙাক্লা সেন্টরদা তকশিন্দুনা থাঙ-তা মশান্না অসিবু নেসনল গেমসতা য়াওহনবা ঙম্লবদি মণিপুরনা মেদল টেল্লিদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী মাঙজিল থানা চৎপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ। মালেমগী থাক্তা মেদল পুরকপা ঙমখ্রবা থাঙ-তা শান্নরোয় কয়া হৌজিকসু চন্নফম খঙদনা লৈরি। মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংদা চহীগী ওইনা পীবা ইন্সেন্টিভশিং চাং নাইনা পীথোক্ত্রি। মহাক মশাগী ওইনা কুমজা ২০১৮গী ইন্সেন্টিভ হৌজিক ফাওবা ফংদনা লৈরি হায়না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, নোংমাইথেম বিদ্যানন্দ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ঙাইখোং খুনৌদগী নোংমাইথেম রামেশ্বর অমসুং নোংমাইথেম ওংবী সুবিতাগী মচা অহুম পোকচবগী মনুংদা অনীশুবনি। মহাক মশানা ক্লাস সভেন তম্লকপা মতমদগী থাঙ-তা মশান্নদা খোঙদাবা হৌরকখিবনি। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা মহাক্লা মশান্না অসিদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকপদা অপোকপনা থাঙ-তা শান্নরগা করি কান্নগদৌরিবনো, শান্নবা য়ারোইহায়না থিংখি। অদুম ওইনমকপা মজরুবা কৌবনা ময়ূমগী মীওই খঙহন্দনা লম্লোংদা লৈবা ওজা হুইদ্রোম সুর্জিৎকী মখাদা তুমিন্না শান্নরকখি। হৌজিক-হৌজিকসু ওজা অসিগী মখাদা শান্নরি।

মহাক্লা হৌজিক ফাওবদা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মেদল লৌদুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকখ্রে। নেসনলগী থাক্তা মায় পাক্লা শরুক য়ারুখিবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১৩দা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ, কুমজা ২০১৪, ২০১৫ অমদি ২০১৬তা পাঙথোকখিবা নেসনল ইন্টর স্কুল গেমস পনবা য়াই। ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মিংচৎ পুরকখিবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১৮দা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা অমদি ২০১৯দা সাউথ কোরিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ পনবা য়াই।

গোল্ড মেদল ফংহৌদ্রবা ইন্দিয়াগী টিম্না ৱর্ল্ড আর্চরিদা সিলভর অনী ফংবা ঙমখ্রে

য়াঙ্কটোন, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): য়ু এস এগী সিটি য়াঙ্কটোনদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড আর্চরি চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল ফংহৌদ্রবসু সিলভর মেদল অনী ফংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপীগী অমসুং মিক্স প্যের কম্পাউন্দ টিমগী আর্চরশিংনা মখোয়-মখোয়গী ফাইনেল রাউন্দ অদুদা লম্বা তৌনবদা মায়থীবা নংদুনা সিলভর মেদল ফংহৌবনি। ইন্দিয়াগী আর্চরিগী পুৱারীদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মেদল পোদিয়ম ১০রক হন্না লেপ্পা ঙমখ্রবসু গোর্ল্ড মেদল ফংদনা লাকখিবনি।

য়ু এস এগী য়াঙ্কটোন সিটিদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী কম্পিটিসন অদুদা ফাইনেল য়ৌবা ঙন্বা ইভেন্ট অনী লৈখিবা অদুনা গোল্ড মেদল ফংগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা অমগা লোয়ননা আর্চরশিংনা শান্নবা হৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিগী মিক্স কম্পাউন্দ টিমগী ফাইনেল য়ৌরকপদা অভিসেক ভর্ম্মা অমদি জ্যুয়োথি সুরেখা ভেনামনা কলম্বিয়াগী প্যেরগা লম্বা তৌনখিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অদু ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা মরিশুবা রেঙ্ক ওইনা শরুক য়ারকখিবনি।

অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা কলম্বিয়াগী প্যের অদুদগী পোইন্ট অমা হেল্লগা ফজবা ঙল্লমখিবা অদু অনীশুবা রাউন্দদা কলম্বিয়াগী টিম অদুনা য়াম্না ফজবা হেল্লকপদগী মাংজিল থাদুনা লৈবা ঙমখি।

কলম্বিয়াগী মায়কৈদগী কম্পাউন্দ মিক্স প্যের ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অভিসেক ভর্ম্মা অমসুং জ্যুয়োথি সুরেখা ভেনামবু লাকশিল্লত্তুনা ফজবা হেন্দুনা পোইন্ট হেনগৎতুনা লোয়শিল্লকপদা পোইন্ট ১৫৪-১৫০দা মায়পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌরগা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা সিলভর মেদল ফংহৌবনি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপীগী টিমগী মায়কৈদগী জ্যুয়োথি সুরেখা, মুস্কান কিরার অমদি প্রিয়া গুজরনা ফাইনেল রাউন্দদা কলম্বিয়াগী সরা লোপেজ, আলিদেন্দ্রা উস্কিয়ানো অমসুং নোরা ভালদেজদী টিম অদুগা লম্বা তৌনরকপদা হৌরকপগী রাউন্দদা পোইন্ট ৫৮-৫৮দা মান্নদুনা লাকখি। অদুবু লোয়শিল্লকপদা কলম্বিয়াগী মায়কৈদগী ফজবা হেন্দুনা ইভেন্ট অদুগা গোল্ড মেদল লৌখি।

ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি, এস এস সী, আর এ দল্লিয়ু অমসুং এফ সী লমজাও মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা কে এস ঐচ ওংবী চন্দ্রলেখা অমদি ইমুং-মনুংনা স্পোন্সর তৌরগা ইম্ফাল ইষ্টকী চিংঙারেল টেজপুরদা লৈবা পোলোই ফুটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিয়ল ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি চীংমৈরোং, ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব (এস এস সী) পোরোম্পাৎ, রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন (আর এ য়ু) লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং এফ সী লমজাও ককচীংনা মখোয়-মখোয়গী গ্রুপকী মেটচশিং অদু মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অহানবা মেটচতা গ্রুপ এগী ওইনা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি চীংমৈরোং অমসুং জি দি সী থিনুঙ্গৈ লম্বা তৌনরকপদা সী এফ এনা পাঞ্জল ১৩-৫দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি। সী এফ এগী মায়কৈদগী গানিংঙমনা পাঞ্জল ৪ চল্লগা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় ওইখি।

অনীশুবা মেটচতা এস এস সী পোরোম্পাৎনা এ কে এফ সীবু গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা পাঞ্জল ১১-৫দা মায়থীবা পীখি। হায়রিবা মেটচ অদুদা এস এস সী পোরোম্পাৎকী মায়কৈদগী এম দি ইর্সাদ অলমনা পূন্না পাঞ্জল ৬ চন্দুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় অদু ওইদুনা মায় পাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

নুংথিলদা শান্নখিবা মেটচ অমদা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা ৱাই দল্লিয়ু য়ুবু পাঞ্জল ১৬-৮দা থোইখি। রাওগী মায়কৈদগী কুশাল থাপানা পাঞ্জল ৪ চল্লগা দাবরনা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। অদুগা এফ সী লমজাওনা এস দি সী থোইবদা লমজাওগী মায়কৈদগী এল কিষননা পাঞ্জল ৭ চল্লগা খ্বাইদগী ফজখি।

মণিপুরগী টিম খন্ননবগী অহুমশুবা ফেজকীদমক্তা অম্ফাগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৩৫ লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস): চহী অসিগী নবেম্বর ২১দগী দিসেম্বর ৫ ফাওবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফি (নোর্থইষ্ট ক্লালিফায়িং রাউন্দ)দা শরুক য়াননবা মণিপুরগী টিম খন্ননবা কোচিং কম ট্রায়ল সেলেক্সনগী অহুমশুবা ফেজগী ওইনা শান্নরোয় ৩৫গী মমিং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা এ বি ৱিরাইবো (নেসু), এম দি অবুজর (নেরোকা এফসী), টিএদিসন (য়ু-২১, রাও), ঙমশাংলেনা হাওকিপ (য়ু-২১, এম এ) অমসুং এ চীঙ্খৈ মৈতৈ (য়ু-২১, এ আই এম)নি। দিফেন্দরদা দল্লিয়ু অরুনকুমার (য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন), থাংকিভেট কিপজেন (এম এ), এন রোমেন (কে আই ৱাই সী), পি বিবেকানন্দ (ট্রাও এফ সী), এল অমিট (কেআইৱাইসী), এম ক্লিন্টন (ক্লাসা), এ হেরোজিৎ (নিশা), টি ঐচ চিঙ্খৈঙানবা (এস এস য়ু), কে ঐচ বিদ্যাচন্দ্র (এম এ), সী ঐচ কেশোন মৈতৈ (এ আই এম), এম দেনি (য়ু-২১, নিশা) অমসুং এল চীঙ্খৈঙানবা (য়ু-২১, কেৱাইভিও) নি। মিদফিল্ডরদা কে ঐচ জেক্কি (এ আইএম), লুঙৌসেম কিপজেন (এস য়ু), কেঐচপ্রভিন (ট্রাওএফসী), এন মোমোচা (ক্লাসা), জাংমিনলেন কুকি (এম এ), লেনমিনলাল হাওকিপ (নেরোকা এফ সী), এস বিকাশ (এ আই এম), এল দেভিদ (নেরোকা এফ সী), সোমি রোঙ্গুই (কে আই ৱাইসী), টি ঐচ মনিচান্দ (য়ু-২১, এ আই এম), এন জি জেনিশ (কে আই ৱাইসী), সুধির লোইতোংবম (ক্লাসা) অমসুং এন জি পাচা (ট্রাওএফসী) নি।

ফোরৱার্দতা এস জোন্সন (য়ু-২১, ক্লাসা), এন জি বিদিনপার মোয়োন (এলৱাইসীসী), সোমিসোন সিরাক (কেআইৱাইসী), ৱাই সুশিল কুমার (এস এস য়ু) অমসুং এন ওলেন (য়ং ফিজিক) নি। শান্নরোয়শিং অসিনা লম্লোং থোংখোঙগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২৭কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা টিম ওফিসলশিংদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না অম্ফাগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

মাষ্টর ফুটবোল মখা চত্থরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস): অহানবা ডা. মোইরাংথেম মনাওতোন অমসুং চন্দ্রসখি মেমোরিয়ল মাষ্টর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ মখা চত্থরগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজর ওইরিবা সন্দে এফ সীনা ফোঙদোরক্লি। টুর্নামেন্ট অসিগী কনভেনর এস জেমসকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না খুমন লম্পাক (লম্লোং থোংখোঙ)দা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা মমাংদা লেপ্লুরবা টুর্নামেন্ট অসি ওক্টোবর ৯দগী লৈঙাক্লা পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর ঙাক্লা মখা চত্থরগনি হায়রক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

করপসন হন্থহনগে অমদি ঈরাং লৈহল্লোই হায়রবদি লৈঙাক্লোন হৈবা এম এল এশিং মথৌ তই

১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন নকশিল্লকপা অসিদা কোভিদকী অকিবশিং নাথৈরগা এম এল এ ওইনিংবগী ৱাখল্লোনদা মীয়ামগী থৌগল তৌনিংবা মালহন্দুনা ভোট লেপ্লিংবগী মশা-মশাগী ফিরেপশিং কাউথোক্লগা সোসল ৱর্কৰশিং মালহন্দুনা ঙামোক খরা য়েল্লগা, লৈকুৎ লৈরাইশিং অমদি লম্বী-সোরোক খরা শেম্বগী থবক তৌরিবশিং অসিনা চমজরবা মীয়ামগী পূক্নিং ৱাখল লৈতাহন্দবা মীওই কয়া থোক্লকপনা এম এল এ হায়বা মতীক ময়াই চম্বা মীওইশিংনদি ওইবা য়াদবা দিসিজন মেক্কিং লৌদুনা লৈবাক ঙাক্কদৌরিবা ফম অসিবু মশক থীহনগদৌরে। হীরম অসিদা থৌনা অমদি ঈনোৎশিং হাপ্লিবনা অচৌবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অয়াম্বনা ওইরি। মসিগী ময়েক লারবা খূদমশিংদি অচৌবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয়গী টিকেট পীথোক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা টিকেট পীগদৌরিবা কেন্দিদেটশিং অদুগী পাষ্ট হিষ্টোরিশিং শুক্নৈ নৈনদবা, শক-মায় য়েংনরগা শঙ্গ লৈবা অমদি শেল পায়বা য়েংলগা টিকেটশিং পীরকপনা হায়বদি মখোয়শিংবু এম এল এ ওইহল্লকপনা লৈঙাক্লোন হৈতবদগী লৈবাক ঈরাং থোকপা হেনগৎলকপদা নৎতনা মখোয়-মখোয়গী ভোটতা থাদখিবা য়াম্লবা শেনফমশিং হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা করপসন তৌরকপা তাবনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না মীহুৎ খনবা মতমদা য়াম্না মুন্না মীয়ামগী থবক তৌরক্কদবা মীওই খনসি।

❒ টি ঐচ বিরেন, নিংথৌখোং

য়ু পি এস সীনা লৌবা সিভিল সর্ভিসেস এগজামগী রিজল্ট য়েংলুবদা মণিপুরী মচাশিং পংনোপ নোপ্তে

চহী খূদিংগী য়ু পি এস সীনা লৌবা সিভিল সর্ভিসেস এগজামগী রিজল্ট য়েংলুবদা মণিপুরী মচাশিং থোইদোক্লা নোপ্তে হায়না খল্লি। চহী খরা অসিদা লেপ্পা লৈতনা অদুম্মক সেলেক্সন লিষ্টতা য়াওরক্লিবা অসিনা তাকপদি মণিপুর মচাশিংসু অতৈদগী তাদে হায়না লৌই। অপীকপা ষ্টেট অমা ওইরবসু স্পোর্টস অমদি এদ্যুকেসনগী লম্দদি অতৈ ষ্টেটশিংদগী শোথনা লৈবা ষ্টেট অমদি ওইদ্রি হায়বা অসিদি মীয়াম্না খঙন-উনরবা ঙাক্তনি। প্লে গ্রাউন্দ মরাং কায়না অমদি মতীক চানা লৈত্রবসু প্লেয়রশিংগী অৱাৎপা হায়বদুদি লৈত্রি। লেপ্পা লৈতনা মশীং য়াম্লবা শান্নরোয় কয়া থোক্লকপা লেপত্রি। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরোয় কয়ানসু হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংগী ওইনা অচৌবা ফিদা অমা কল্লগা থল্লি। ইন্দিয়াগী ওইনা সিভিল সর্ভিসেস এগজাম অসিনা খ্বাইদগী চাওবা এগজাম অসিদা ক্রেক তৌবা অসিনা ষ্টুদেন্টশিংগী অমত্তা ঙাইরবা মঙলান অমনি। মসিগীদমক মহৈরোয়শিংনা অহিং-নুংথিল খায়দনা হোৎনরিবা ঙাক্তনি। অদুবু সিভিল সর্ভিসেস এগজাম ক্রেক তৌবদা চঙদবা য়াদবা অমা ওইরিবা আই এ এস এস্পিরেন্ট কয়াগী কোচিং সেন্টর অসিগীদমক্তদি মণিপুরদা কোচিং সেন্টর কয়া লৈরবসু অৱাৎপা খরদি অদুম্মক লৈবগুম তৌরি। অসিগুম্বা লৈরিবা অৱাৎপশিং অসি মণিপুরদা হাংলিবা কোচিং সেন্টরশিংনা অথুবদা মেনখৎলক্কনি হায়নসু খল্লি।

❒ রেক্কি মাইৱ্রাম, মোইরাং বজার

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

বেঙ্গলুরু এফ সীনা আর্মি গ্রীনবু থোইদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): ঙসি কোলকাটাগী বিভেকানন্দ য়ুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গনদা শান্নখিবা ১৩০রকশুবা দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী টিম অমা ওইরিবা বেঙ্গলুরু এফ সীনা আর্মি গ্রীনবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেলদা অতোপ্পা আই এস এলগী টিম ওইরিবা এফ সী গোৱাগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসিগী মেটচ অদু আর্মি গ্রীনগী মায়কৈদগী বেঙ্গলুরু এফ সীগী শান্নরোয়শিংগী মায়োক্তা য়াম্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী ৱুংঙয়াম মুইরাং, লিওন ওগষ্টিন অমসুং নমগ্যাল ভুটিয়ানা পাঞ্জল চনখি। অমরোমদা আর্মি গ্রীনগী পাঞ্জল অনী অদুনা লালুৱামকিমা অমদি ভিবিন টি ভিনা পেনাল্টিগী মতেংদা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী হৌরকপদা আর্মি গ্রীননা অকনবা প্রেসর পীদুনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা শুপ্পগী মিনট ৯ চঙশিল্লকপদা বেঙ্গলুরু এফ সীগী দিফেন্দরশিংনা পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা ফাউল তৌরুবগীদমক আর্মি গ্রীননা স্পোট কিক্ অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু লালুৱামকিমানা পাঞ্জল ওন্থোকখি। বেঙ্গলুরুগী মায়কৈদগী মুইরাংনা ২০শুবা মিনটতা য়াম্না ফজবা ফ্রী কিক্ অমগী মতেংনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

অনীশুবা হাফতা বেঙ্গলুরুগী লিওন ওগষ্টিননা হৌরকপগা পাঞ্জল ১ চনশিল্লবা মতুং মখা তানা মখোয়না চত্থরকপা এটেকশিংদা নমগ্যাল ভুটিয়ানা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। আর্মি গ্রীনগী মায়কৈদগী মেটচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লত্ত্রবদা পেনাল্টি অমা ফংলদুনা ভিবিন টি ভিনা পাঞ্জল ওন্থোকখ্রবসু মতম লৈখিদবদগী মায়থীখি।

মমাংগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মখূৎতা চেলসি মায়থীখ্রে

PREMIER LEAGUE

লন্দন, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাংগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী চেম্পিয়ন চেলসিবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে।

চেলসিনা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদু টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমদুনা অহানবা হাফকী অপীবা মিনট ৪৫ ফাওবদা নাকল অনীমক্তগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেঞ্চেষ্টর সিটি মমাংগী রাউন্দ ৫ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১০ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, চেলসিগী টিম চপ মান্নবা মেটচ মশীংদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ২শুবা থাক্তা লৈখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা ঙল্লিঙৈদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী জে কান্সেলোনা পীরকপা বোল অমদা গেব্রিএল জিজ সনা ৫৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা চেলসিবু মখোয়না ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তারকপা মেটচকী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী সিটি মায় পাক্তুনা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ এষ্টন ভিল্লাগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীবা নংখি। মেটচ অদুসু লম্বা মান্নরক্লবা মতুং অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈখিদে। লোইগদবা মিনট ২ ৱাৎলিঙৈদা এষ্টন ভিল্লাগী কে হাওসেনা পাঞ্জল ১ চল্লগা থোইখি।

দেল্লী কেপিটেলসনা রাজস্থান রোয়লসপু রন ৩৩দা থোইখ্রে

INDIAN PREMIER LEAGUE

অবু ধাবী, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): য়ু এ ঈগী কোনুং অবু ধাবীদা লৈবা সেখ জায়দ ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৩৬শুবা মেটচতা দেল্লী কেপিটেলসনা রাজস্থান রোয়লসপু রন ৩৩দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস রাজস্থান রোয়লসনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা দেল্লী কেপিটেলসকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১৫৪ লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর অনী কা-হেন্না ফজবা ঙমখিদ্রবসু শ্রিজেস আয়রগী রন ৪৩ অমসুং কেপ্টেন রিশব পন্টকী রন ২৪না ইন্নিংস অদু শেমগৎলকখি। মখোয় অনীগী মতুংদা হেটমেয়রনা রন ২৮ লৌরমখিবা অমদি ললিট য়াদব অমসুং অঝারগী রন ১৪ অমসুং ১২না স্কোর অদু ১৫৪ য়ৌখি।

রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী মায় পাক্লনবা রন ১৫৫ লৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা শুপ্পগী রন ১২১ খক লৌখিবদগী রন ৩৩দা মখোয় দেল্লী কেপিটেলসকী মখূৎতা মায়থীবা নংখি। রাজস্থান রোয়লসকী কেপ্টেন ওইরিবা সঞ্জু সেমসননা অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা আউট ওইদনা বোল ৫৩দা রন ৭০ লৌখিবা অমদি ৫শুবা বেটসমেন মহিপালনা রন ১৯ লৌখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমদবদগী অপূনবা রন ১২১দা ইন্নিংস লোইশিনখি।

কুমজা ২০২২ অসি ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা য়াম্না চাওবা শাফু অমা লাক্তুনা হান্নদগী হেন্না ফজবা মায়ওন অমা লাক্লগনিঃ কুশল দাস

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না লাক্লিবা কুমজা ২০২২ অসি ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবেলগী ওইনা য়াম্না চাওবা শাফু অমা লাক্তুনা হান্নদগী অহেনবা মায়ওন অমা লাক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কুশল দাসনা ৱাফম অসি ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা স্পোর্টসকী মেগজিন অমগা অখন্ননা ৱারী শান্নবা অমদা ফোঙদোকখিবনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী কোভিদ পেন্দমিক লৈরিঙৈ মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর কেয়র্স ফন্দদা লুপা লাখ ২৫ মতেং পীদুনা লৈবাক অসিনা থেংনরিবা কোভিদ লায়না মায়োক্নবগী লান্থেংদা শরুক য়াখি।

পেন্দমিক মনুংদসু শান্নরোয় খক্ত নৎতনা রেফরি অমদি অতোপ্পা ওফিসলশিংগী ওইবা ওনলাইন্দা ট্রেনিং কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা অৱাবা তারবাশিংগীদমকসু শেলগী মতেং পীদুনা লাকখি হায়খি।

লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ানা চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাশিংগী ওইবা মালেমগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱিমেন্স অন্দর ১৭গী য়ুম্বু ওইগদৌরিবনি। মসিদসু নত্তনা ইন্দিয়ানা চহী অদুমক্তদা এসিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সি ৱিমেন্স কপকী য়ুম্বুসু ওইগদৌরিবা অসিনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা ইন্দিয়াগী ওইনদি য়াম্না খুদোংচাবা তাঙ্গা অমা লাক্লবনি হায়না কুশল দাসনা মখাতানা ফোঙদোকখি।

কোভিদ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী ওইবা দোমেষ্টিক ফুটবোল টুর্নামেন্ট কয়া অমসু লেপ্পুনা লৈরুরবা মতুং মখাতানা মায়ওন চুন্নবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না অকনবা মওংদা থবক লৌখৎলি। মমাংদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ইন্দিয়ান ৱিমেন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুসু মরক্তা লেপ্পুরবা মতুং কুমজা ২০২২গী মার্চ/এপ্রিলগী থা অনী অসিদা পাঙথোক্লবা থবক থৌরাং পুন্নমক পায়খৎপা লোয়রে হায়না স্পোর্টস মেগাজিন অদুগা ৱারী শান্নবা অদুদা দাসনা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট পুন্নমক বাইও ববলদা শান্নরোয়শিং অমদি মরী লৈনবা ওফিসল পুন্নমক চেকশিন্না লৈহন্দুনা মখাতাবা অশোয় অঙাম অমত্তা য়াওদনবা হোৎনগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিনা ইন্টর্নেসনল এক্সপোজর ওইনা অতোপ্পা টিমগা শান্নবগী খুদোংচাবা অদুসু শেমদুনা টিম অসিনা অহেনবা পর্ফোমেন্স পুরকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়না মখা তাখি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 240

Ristic, Sreten (1770) - Postel, Richard (1690)
Wch Seniors 13th Bad Zwischenahn, 2003

1.d4 Nf6 2.Bg5 e6 3.e4 Be7 4.Bd3 O-O 5.Nf3 h6
6.Bxf6 Bxf6 7.Nbd2 c5 8.e5 Be7 9.c3 d6 10.Qe2 Nc6
11.a3 cxd4 12.cxd4 d5 13.b4 a6 14.O-O f5 15.Nb3 b6
16.Ra2 Bb7 17.Rd2 Qe8 18.Ne1 Nd8 19.Ra2 Nf7 20.f3 Nh8
21.Nc1 Qh5 22.Qe3 Rac8 23.Ne2 Bg5 24.f4 Be7 25.Kh1 Rc7
26.Nf3 Rfc8 27.h3 Qf7 28.Kh2 Ng6 29.Rg1 Kh8 30.g4 Nh4
31.Nxh4 Bxh4 32.gxf5 exf5 33.Nc1 g5 34.Ne2 Rf8 35.e6 Re7
36.Qe5+ Qg7 37.Qd6 Qf6 38.fxg5 hxg5 39.Rf1 Rxe6 40.Qc7 Re7
41.Qc3 Qd6+ 42.Kh1 Re3 43.Kg2 f4 44.Rf3 Rxf3 45.Kxf3 Qd7
46.Ng1 Bc8 47.Be2 Re8 48.Qc1 Re3+ 49.Kg2 Rxh3 50.Rc2 Rg3+
51.Kf1...

QUESTION :

Black to Win

Puzzle 239 Ans. :

49. ...Rf5+ The black rook attacks White's king, which is defending square f4 and square h4. 50.Kh6 Bf4+ 51. exf4 h4 Mating net 52. a8=Q Rh5#
49. ...Rf5+ 50.Kh6 Bf4+
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com